
## এডিটোরিয়েল



ইঙোনগী ৮ নি পানবা শগোলশেন, জুলাই ০৩, ২০২৫

[illegible]

# ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ শরুক য়াগদবা টিমশিংগী প্রোফাইলদা ‘মেক্সিকো লৈবাক’

ইতিহাস ওইহৌরগদবা অহানবা ওইনা টিম নিফুনিপান্না শরুক য়াগদবা ২৩ শুবা ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ পাঙথোক্কদবা মতম চহী ফারক্ত্রবা মতম অসিদা ক্বলিফাইদ ওইবা টিমশিং মশক খঙবা হৌরক্লবনা টিমশিংগী থেংনবা খরনা শেম্বা প্রোফাইল ইবা হৌবা য়াবা মতম ওইরক্লে। পামজবা মশান্না ওইবনিনা ইরগে খল্লকঙৈসিদা মপাও অমা তারিবসি অচুম্বা ওইবজাৎলা নৎত্রগা চুমদবা ওইবজাৎলা হায়বদুদি খোংলবকান্দা খংই হায়বদুদা তারে। লৈবাক্কী ওইবা মপাওনিনা তারবদি করিনো করিনো খরদি হেক্তা হাইনিংই ফোংদোক্লীংলকই। মসিনা মচিন য়াওবা মচিন মেন ঙম্বা পোৎ নৎতে অদুগা মখুৎ লেংবা খাম্বা ঙম্বা নৎতে হায়বদু তারে। মপাও তাবদা শেম্বা শাবা তৌদনা পুক্লিং ৱাখলদা ফোংদোক্লীংবা খরা ফাওরকপসি খুদকসিদা ইহৌদ্রদি কাওখিবনসু হানবা য়াই হায়দুনা ইরে। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মপাওনো। মণিপুরগী মতাংদা চহী অনি খরা হেনল্লপ মনা পংবগুম মরোল থোক্তবগুম মীরমদা করিদা কোইচৎ চৎলুরবা ইন্দিয়াগী ইকাই খুম্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরবু অমুক নিংশিংলক্তুনা লুপা খাওজাও অমা পাইরক্লগা শান্তি য়েল্লরগনি তারিবসি অচুম্বা ওইরবদি করিগী নুংঙাইরোইদৌরিবনো? ইরাংসিনা লোই–খম নাইদবা ফিবম অসিদা সুম লৈবসিনা ঐদি ঈশ্বরগী চরন্দা থম্বাল চাম্মনিপাল কৎতুনা “হে ঈশ্বর ইবুংঙো প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা অমুক্তংদি লাকহনবিয়ু” হাইনা নুংতিগী খুরমজরিবনি। ঐনা খনজবদা নরেন্দ্র মোদিসি থম্মোই কনখ্রবা ভাগবানগী অবতারনি হায়না খল্লি। মানা থম্মোই নৌথরকপা, মীনুংশি লৈরকপা মতাংসিদা অমুক্তংদি থৌগল তৌজদুনা বর খরদি নিজহৌনিংবনি। মণিপুরী খুন্নাই অসি থাজনবা, নুংশিনবা, কখোক্লবা অফবা অচুম্বা তৌবা পূন্নমক মতৎ–মতৎ তৎতুনা মাংখ্রবা ওইরে। ইকাই খুম্নরবা থবক ঙম্বা ইবুংঙো কোকলেন নংনা লেংলকপা তারবদি লেংলক্লিঙৈদা মতৎ মতৎ তৎলবা ময়াম অসি তাশিন খোমজিনবিদুনা অমুক্তংদি তুং কোইনা চৎকদবা ফিবমদা শমজিনবিরম্মু। অদুন্না শমজিনবিরম্বা তারবদি অদোম্বু লমদমসিগী মীয়ামগী অশাওবা পেন্দবা নুংঙাইতবা পূন্নমক কোক্তুনা অমুক অদোমবু শক–শোন্নগনি। অদোম লেংলক্কদবসু খল্লি নোংজু মীফমদা মীচে তাবা তন্দুনা খরা হন্থনবা অদুগা অদোন্না লুচিংবা পোলিটিকেল পারটি বি জে পি গর্বনমেন্ট অমা লৈহল্লগা লাক্কদৌরিবা ২০২৭ চহী অঙনবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভোৎ অসিদা নম্ফু হাফু তৌদনবু ওইরসু তৌদনা ওইরসু কাহন্দুনা অমুক হঞ্জিন্না গবর্নমেন্ট পাইহন্নিংবগী অপাম্বসু শোইদনা লৈরমগনি। লৈফমসু থোকই অদোমদি ভোৎতা অদোমগী পার্টিনা মশিং হেন্না কানবা হোৎনবদা ঙাওজবনি। করিগীসু ঙাওরোই অচুম্বা লৈ ঙাওজবগী মরমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী মীখলদা মাগী মাগী পার্টিনা মশিং খ্বাইদগী হেন্না কাবসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি। ফুরুপ অনিগী খৎনবা ফিবম শোকচিল্লক্লবা কুইশিল্লক্লবা অসিদা চঙখোনবা মীৎয়েং চংদবা য়ারক্ত্রবসু মল্লি নৎত্রগা নোংজু মীফমদা “হোৎনরি” হাইবা পাওখুম পীবা য়ানবরা মদুমদি খংদে। হন্দক মরক অসিদি সেন্টর লৈঙাক্লা শান্তি হঞ্জিনলক্লবগী মতাংদা ৱা–খন্ন–নৈনবা মৈতৈ সি এম ওগী লুচিংবা ৩–৪ কৌবা অসিসু তোইশিলক্লি। ৱারোইশিন পুরক্লবা কৌবা থম্মোই শেংনা ৱা তানবা অফবা খোঙথাংনি। অদুবু হেন্না মহৈ য়ানগদবা ফজবা মচৎ অমদা কৌদনা কৌরবদি নুপীশিংতগী ওইবা সি এস ও ময়াম অমা লৈরিবসিদগী ১–২ দংদা ওইরবসু কৌদুনা ৱাতানবসিদা য়াওহনবদি করি কায়? লমদমসিদা থোক্লিবা ইরাং খুদিংমক মাংজিন থারগা খোংজং চংশিনবদি মৈতৈসু কুকিসু নুপীশিংতনা মাং থারগা চংশিনবা ঙাক্তনি। অদুগা মণিপুরগী ওইবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা মীহুৎশিংগী মীহুৎ লুচিংবা য়াওদনা ৱারেপ লৌবা ঙম্লোইদবা য়ারোইদবা সি এস ও লুচিংবা খরা কৌরিবসিনা করিগী ! অমবু ওইরে অমবু ওইরে ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা খুন্নাই অসি ইং–তপ্পা ফিভম অমদা হঞ্জিনলক্তুনা চাওখৎপরোমদা মাই ওনশিনলবদি ইফদা ফরে। নিংশিংনহৌবা য়াবা অমদি মথৌ তাই, ইন্দিয়া পাকিস্থান খায়দোক্নরকপা চহী ৭৫ হেল্লক্লসিফাও লান্থেং মাইয়োক্নদুনা অসুম লৈবা লৈখিগদবা ওইরিবা অসি তাদনবা চেকশিন্না ৱাতানবদি চুমই।

করিগুম্বা তারিবা মপাওসিনা অচুম্বা ওইদুনা ইন্দিয়াগী পি এম নরেন্দ্র মোদিনা নোংজু মীফম মমাং অসিদা লাকপা থোক্লবদি হৈরাং লিঙৈদা য়ুরাংই হায়বদু তাজরবসু মণিপুর অসি শান্নবা পাম্বা ষ্টেট অমা ওইবগী মথক্তা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই কয়া অমসু লেপ্তনা পুথোক্লিবা অমসু ওইবনিনা শান্নবা হেন্না ফগৎনবা হোৎনবদা হেন্না ফবা মখলগী মতমসিগা চানরবা স্পোর্টস ট্রেন্নিংগী খুদোংচাবা য়াওরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপিনবা লুপা খাওজাও অমতদি পীবিয়ু হায়বা ৱারোল য়াওবা চে অমত্তংদি লৈঙাক্কী মাইকৈদগী ওইরসু নৎত্রগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (এম ও এ)গী মাইকৈদগী ওইরসু পিশিলহৌনবা রেদি লৈবা ফৈ। ৱারোল অমসু

## শান্নবুংগী ৱা

### এল কালা, উরিপোক

হাপচিনবা য়াই, ৱারোলদি ইন্দিয়ানা করিগুম্বা মলেম থাক্কী ওইবা মল্টি স্পোর্টস কম্পিটিসন অমা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা তারবদি মশান্না অমত্তা ওইরসু মণিপুরদা মফম ওইহন্দুনা পাঙথোক্লবগী খুদোং চাবা পিবিয়ু হায়বা ৱারোলসু হাপচিনবা য়াই। মৈতৈ মতমগী ওইনা হোংলক্লিবা য়াওল অসিদা অতোপ্পা ফুরুপচা অমতগা য়েংথিনবা খৎনবা মতম নৎত্রে।

লৈবাক্কী ৱা খরা য়াও, শান্নবগী ৱা খরা য়াও ইরকপসিগী মখা তারকপা অসিদি য়ুম্বু ওইরগনি হেক খংবদগী শোইদনা শরুক য়ারগনি খংলবা মেক্সিকো লৈবাক্কী থেংনবা খারোমদা অমুক ওনশিল্লকপদা তারে। মেক্সিকো য়ৌরকপসি ছাত্র ওইরিঙৈ ঙাওশিন্নরিঙৈ মতমদা ইম্ফাল টোকিজ সেনিমা হোলদা ৱেষ্টর্ন ফিলম মেক্সিকান কাবাই ফিলম ফ্রানকো নেরোনা হেরো কুম্বা জাঙ্গো কোম্বেনোরোসদা য়েংখিবা নিংশিংলকই। কাওবোই কলচর অসি ফিলমদা উবদদি য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইনা মী অমা নোংমৈ অমা, তুপী অমা শগোল অমা নৎত্রগা শগোল গাড়ী শিজিন্নদুনা অমগা অমগা খৎন–চৈনবা, লালহৌবা, গুন্দা তৌবা, মথোং চাদবা য়াম্না তৌবা করিনো খংদে লোলেসনেস ষ্টেট অমগী মশক্লি। মেক্সিকান ফিলমদা উবা কাওবোই কলচর অসি হন্দক চহী খরা অসিদা মনিপুরদসু কাওবোই কলচর য়ৌরকখিবগী মমি তাখিবগুম তৌই। হৌজিকসু মণিপুরসি লোলেস ষ্টেট অমা ওইবগী মমি তারি। ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ য়ুম্বু ওইমিন্নবদা য়াওরিবা ইউনাইটেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকাগী ষ্টেট অমা ওইরিবা হৌজিকসু কাওবোই কলচর মশক তারিবা টেক্সাস অসি মেক্সিকোগী খা থংবদা মাইল ১২৫০ হেন্না শাংনা বোর্দর লাইন ওইবা টেক্সাস কুম্বা তাইনবা মফম খরদা কাওবোই কলচর মশক উবা মেক্সিকো লৈবাক অসি সেন্ট্রেল আমেরিকাদা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক্লি। অদুগা মলেমগী ওইবদনা তারাহুমদোই শুবদা লৈবা স্কাৱর কিমি ১,৯৭২,৫৪৭ পাক চাওবা খাদা ইউ এস তাইনরগা গুইটেমেলা অমসুং ব্লিজ লৈবাক ফাওবা শাংদোরক্লগা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক অমসুং খা শরুকশিংদা অচৌবা শৈরা মদ্রে চীংশাং লৈবনা লৈবাক অসিগী অয়াম্বা শরুক অতোংবা লৈতেম মান্নবা লমদা ওইবা ফিবমনি। মেক্সিকো লৈবাক অসি নাকন অনি অমদি নোর্ঠ পেসিফিক ওসিন অমসুং গলফ ওফ মেক্সিকো ঈশিংগী লম অনিনা ঙমখৈ ওইবা উপ–দিপ অমগী মশক ওইবা লৈবাক্লি হাইনা লৌবসু য়াই। মেক্সিকো লৈবাক মলেমগী ওইনা চুজাক খ্বাইদগী পুথোকপশিংগী মনুং চনবা অদুগা চুজাক পাম্বীগী হৌরকফমনি হায়নবা লৈরিবনি। মীশিং ১২০,২৬৬,৬৫৫ লৈবা মেক্সিকো লৈবাক লাইরিক হৈবগী চাং চাদা ৮৬.১ ওইরগা রোমান কেটেলিক ধর্ম্ম চৎপনা চাদা ৭৬.৫ মালেমগী ওইনা ঐচ দি আই (হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স) থাক অসি ২০২২ চহিদা ৭৭ শুবদা লৈবা ইন্দিয়াদগী য়াম্না চাওখৎপা ফিভম ফনা ৱাংনা লৈবা লৈবাক্লি। স্পেন লৈবাক্লা সেঞ্চুরি ৩ (অহুম)গী মথক্তা রুল তৌরগা লৈরম্বদগী সেপ্টেম্বর ২৪, ১৮২১ চহীদা নিংতম্বা ফংবা লৈবাক ওইখিবনি।

কাওবোই ফিলম য়েংবদা নোংমৈদা পায়দুনা লৈবা উবা লৈবাক ফুটবোল শান্নবা হৈরমগদবা মান্দে। অদুবু সাউঠ আমেরিকাদা মলেমগী ওইনা পানবদা বোল য়াম্না হৈবা লৈবাক লৈবগী ইনিল লৈবনরা করিনো খংদো ফিফা রেঙ্কিংদা ১৭ শুবদা (২০২৫, এপ্রিল) লৈদুনা ইন্দিয়াদগী য়াম্না হৈবা হেন্না লৈরি। শোক ১৯২৭ চহীদা অহানবা ওইনা ওফিসিয়েল গর্ভনিং ফুটবোল বোদি লিংলগা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন শরুক য়াবা ওইনা শেক ১৯২৮ ওলেম্পিক ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়াবদা স্পেনগী মখুৎতা ৭–১দা পোখি। অহানবা পাঙথোকপা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ১৯৩০ শরুক য়াবদা গ্রুপ্তা অরজেন্টিনা, চিলি অমসুং ফ্রান্স পুন্দুনা শান্নবদা ফ্রান্সনা ৪–১ থোইখি। অদুগা অনিশুবা মেটচ চিলিনা অমুক ৩–০দা থোইখি, অরোইবা মেটচ অরজেন্টিনা ৬–৩দা মাইথিবা পিরমখি। শরুক য়াবগী ইতিহাস হঙ্গৎনা য়েংবদা মেক্সিকো লৈবাক ১৯৩০দগী ২০২২ ফাওবদা ১৭ রক শরুক য়াখিবগী মনুংদা ১৯৯৪, ৯৯৯৮, ২০০২, ২০১০, ২০১৪ অমসুং ২০১৮ হায়রিবা চহীশিং অসি রাওন্দ ওফ সিকষ্টিন ফাও শান্নবা ঙমখি অদুগা ১৯৭০ অমসুং ১৯৮৬ চহী অনিসিদনা ক্বাটর ফাইনেল ফাইনেল ফাও চংলগা ইটালি অমসুং জরমনি মখুৎতা১–৪, ১–৪ (পি) এ ই টি মাইথিদুনা ঙসি ফাওবদা সেমি ফাইনেল অমুক্তা শান্নবা ঙমদনা লাক্লি। হন্দক্তি য়ুম্বু ওইবা ফংবগী খুদোং চাবা করি ফংলগা কদাইফাওবা চংশিনবা ঙম্বগে হায়বদুমদি য়েংবা ঙাইখিবা তারি।

# ফৌগী উতোং শাৎপী অমসুং নুংয়েংগী তীল

### নবকিশ্বর ঙাঙবম



**ফৌগী উতোং শাৎপী তীল:-**

ফৌদা তাবা উতোং শাৎপী তীলগী মপী অসি য়েংবদা য়াম্না থোৎপা কাঙ মাল্লি। মবুক অদু ঙাংলি ঙাংলি তৌই। সরক্তা থানবা অঙানবা ইলেক্ট্রিক বল্বকী অকোয়বদা য়োমশিন্দুনা লৈবসু থেংনগনি। লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌরি অমসুং অকোয়বদা লৈবা তিংথৌনচিংবা নাপীশিংদা শাইদাংফম লৌদুনা লৈ। ফৌ পাম্বীনা মচা পোকপা হৌরকপা মতমদা লৌরক্তা অমুক চঙলক্তুনা মরুম কোক্লে। মিলিমিটর মখায় অমুক্তং শাংবা, শাংতক তৌবা অঙাংবা মরুমশিং অদু মপাম্বী অমসুং মনাশিংদা নাইতোম নৎত্রগা পূন্না কোকই। মরুমশিং অদু নুমিৎ হুন্নি ফাওবগী মনুংদা মচা ওল্লি। অপীকপা হনশিং অদুনা ফৌ পাম্বীগী মখোঙলোমদা কুমথখ্রগা অনৌবা ময়োন তন্না চঙখি। মফম অদুদা নুমিৎ ১০–১৩ ফাওবা চারম্লগা তিঙ্গোং ওন্দুনা মথক্লোমদা কাখৎলকই। উতোংগী মতোনদা মখুল অমা হুৎলগা মপী ওন্দুনা পাইথোরকপদা নুমিৎ ৪ দগী ৭ নি ফাওবা চঙই। নুমিৎ হুন্নি মরিনি হিংলম্বা মপীদুনা মরুম ২৫০ ফাওবা কোক্লম্বা ঙম্মী। অসুন্না তীল অসিগী মপুন্সি অসি নুমিৎ ১৫ নিদগীনা ২৩ নি ফাওবা শাংবা য়াওই। লৌরোক অমগী মনুংদা তীলগী মপুন্সিগী য়াওল অহুমদগীনা মঙারক ফাওবা ওনবা ঙম্মী।

উতোং শাৎপী তীলগী হন মচা অদুনা পাম্বীগী ময়োন্দা চীক্লবা মতমদা পাম্বীগী শাহৌদা অহোংবা খরা লাকই। পাম্বী ময়োন্না হৌগৎলকপা লেপখ্রগা মনুং হোবা তিলহৌ মনা মানবা উতোং ওইনা থিনগৎলকই। অসুন্না উতোং শাৎখ্রবা ফৌ মচাশিং অদুদা চরোং শাৎপা ঙমদে।

**ফৌগী নুংয়েং তীল:-**

ফৌগী ময়োন চীকথৎপী তীলশিং অসিবু নুংয়েং তীল হায়রগা খঙনৈ। মণিপুরগী লৌবুক্তা নুংয়েং তীলগী মখল অনী অহুম লৈবা থেংনৈ। মখোয়গী হন ওইরিবা মচাশিং অদুতনা ফৌ পাম্বীশিংবু মাঙহনবগী থবক তৌই। মপী অদুদি মৈরাম্বীগুম্বা কুরাক মচাশিংনি। মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না মশক মচুশিং অদুসু খেন্নে। মরুমদগী মচা ওনবদা নুমিৎ ৪ দগী ৭ নি ফাওবা চঙবা য়াই। মরুম ওইনা হেক কোকপদগী মপী ফারক্তুনা শিবা ফাওবদা চঙবা মতমসি নাপু মচুগী নুংয়েং তীলগীদি নুমিৎ ৩১ দগী ৪৬ ফাওবনি অদুগা মকোক মুবা মশানা লাংবা নুংয়েংগীনা নুমিৎ ২৬ তগীনা ৬১ নি ফাওবগী মনুংদা ওইবা য়াই। নুংয়েং তীল (ষ্টেম বোরর) না ফৌ পাম্বীশিংবু য়াম্না ঙল্লিঙৈ হায়বদি লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদগী হৌনা ফৌনা শাৎলক্লবা মতুং ফাওবদা মাঙহনবা ঙম্মী। মরুমদগী ওনবতা ঙাইরিবা হনশিং অদুনা থুনমক পাম্বী অদুগী মখোঙদা হুত্তুনা চঙখি। অসুন্না ময়োন মনুংদা মতম খরা লৈরম্লগা ঈশিং ঈমায়দগী মথক্তা খরা কাখৎলগা মখুল হুৎতুনা থোরকফম শেম্মী। মখোয়না চীকথৎখ্রবা ময়োনশিং অদু খুইজিল্লকই। মতম অসিদা পাম্বী অদু ফুক্তোক্লগা শেগায়দুনা য়েংলবদি হন মনাবা নুংয়েংগী তীল মচাশিং য়াওরম্বা থেংনগনি। খুইজিন্দুনা কংশিল্লক্লবা ফৌ পাম্বীগী ময়োন অদু পায়দুনা শৎকৎপা য়াগনি। ফৌনা চরোং শাৎলক্লবা মতুংদা তীল অসি তাবসু য়াওই। চরোং অদু মরু চঙবগী মহুৎতা ইঙৌ ঙৌনা ফৌহাম ওইনা শাৎপা উগনি। চরোং অদু পায়দুনা চিংখৎপদা মনুংগী মখোঙদা তৎলম্বা থেংনগনি। মকোক মুবা, অরাংবা নুংয়েং তীলগী মচানা চীকপগী মওংদি খরা তোঙাল্লি। পাম্বী অমত্তদা নুংয়েং মচাগী মশীং ৭ ফাওবা য়াওরম্বা য়াই। মখোয়না পাম্বীগী ময়োন চারুনবগীদমক্তা চঙনবা মপান থংবা মনাগী মখোক্তগী হৌনা মথং মথং চিকথৎতুনা চঙখি। মরম অদুনা মপান ইথং থংবা মনানা ইহান হান্না কংলকই। মথং মথং মনুংগী মনাশিং অদুসু অহান অকোন নাইনা কংলকপনা মমৈথংদদি পাম্বীগী মশা পূম্বা পুল্লপ পায়দুনা চিংখৎপা য়ারকই।

**মখোয়দগী ঙাকথোক্লবা উপায়শিং:-**

হৌজিক্তি তীলশিং অসিগী হৈনবী অমসুং মপুন্সিগী মরমদা খঙলবনিনা মখোয়দগী কন্ননবা লম্বী থিবদসু খরমখৈদি লায়রগনি। উতোং শাৎপী তীলনা শাইদাংফম ওইগনবা তিংথৌনচিংবা নাপীশিং লৌরি অমসুং অকোয়বদা লৈহল্লরোই। নুংয়েং তীলনা লোৎফম ওইরিবা চরু খোক্লচিংবশিং মাঙহল্লনি। লৌরি নৌনা শাদুনা লু নানবা লৌফম ওইহনবগী কান্নবা য়াম্না ফংগনি। লৌ ঙন্না লীংহৌবনা উতোং শাৎহনবগী চাং য়াম্না হন্থে। মপুন্সিগী য়াওল ৩ / ৪ রক শুরযবদি তীল মশীং য়াম্না য়ামখৎলক্কদবনিনা ঙল্লিঙৈদগী য়াম্না চেকশিলহৌবা তাই। মপী অমা হিংখিবদা মচা ২৫০ পোকখিবা য়ারিবনি। অতোপ্পা মরম অমনা তীল মখল অনীমকসিগী মচাশিংসি ফৌ পাম্বীগী ময়োল মনুংদা চঙখ্রগা চাবা ঙাক্তা ওইবনা অফংবা হিদাক অমনা মপানদা হেক্তা কাপ্পগা ইরায় লায়না হাৎপসু য়ারোই। পাম্বী অদুবু হূ চেলহনবা ঙম্বা (সিষ্টেমিক ওইবা) হিদাক অমা থাবা তাই। অদুমকপু মপানদা লৈহৌগদবা মপীশিং অদুনা মচা কোক্ত্রিঙৈদদি এন্দোসলফেনগুম্বা অমা কাপ্পগসু কান্নগনি। নুমিদাংগী মতমদা মফম খরদা থাউমৈ থাল্লগা থাউমৈগী মখাদনা ঈশিং য়াওবা পাত্রদা কেরোসিন খরা খরা হৈজিন্দুনা থম্বসু কান্নবা খরদি ফংগনি।

হিদাক ওইনা শীজিন্ননবগীদমক্তদি লৌহোন্দগী হৌনা য়েংবিবা তারে। লৌহোন ফোয়গদবা নুমিৎ ৫ / ৬ নি ৱাৎলিঙৈদা ফুরাদান ৩–জি (কার্বোফুরান) কিলো মখায় অমা শঙম অমগী লৌহোন্দা চাইবা য়াই নৎত্রগা দাইমেথোএট নৎত্রগা মোনোক্রোটোফোস এম এল ৫ দগী তরা ফাওবা ঈশিং লিটির ১০ গী চাংদা য়ানবীরগা পোয়গদবা নুমিৎ হুন্নি ৱাৎলিঙৈদা লৌহোন্দু চোৎনা কাপথোকপীবা ফৈ। থৌওংশিং অসিনা লৌ লীংলবা মতুং নুমিৎ ১৫ নি ফাওবদি মখল খুদিংমক্কী তীল কাঙশিংদগী কনবীরগনি। মতুংদগীদি নুমিৎ ১৫ নি খুদিংগী মথক্তা পনখিবা ঈশিং য়ানবগী চাংদু কায়দনা কাপ্পা য়ারে। উতোং শাৎপদগী কন্নবগীদমক্তদি ফৌ হুনখিবা মতুং নুমিৎ ৬০ গী মতুংদগীদি কোমথোকপা য়ারে। অদুগা নুংয়েং কন্না তাগনবা মফমদদি চরোং শাৎলবা মতুং ফাওবা চেকশিন্নিংইঙাই ওইরি।

## মনা–মশিং থাবগী কেলেন্দর ‘জুলাই থা’

“*জুলাই থাদা*– হুনবা য়ারিবশিংদি ভেলন্দ্রি, খামেন, কামেন অশিনবা, কোলি হৱাই, লেপসিকম অমসুং মোরোকশিংনি। মরীদগী মতৎ–মতৎ কক্তুনা মঙ্গা তাবা য়াই। জুন থাদা হুনখিবা চারাশিং লিংখোকপা য়ারে। থবী মাইরেলশিং শগাইদা থাঙ্গৎপীয়ু। নোংতারক্লবদি লায়না তীলনা তাগগনি।”

## থম্মোয় শেংলবদি চঙলম্বা য়াবনি

চৎলিবা জুলাই থাগী ২১ দগী পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পানরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী মাঙওইননা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মেম্বর ডা অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগী ঙসি ফাওবা চত্থরিবা কুকি–নার্কো টেরোরিষ্ট অমদি মখোয়না শৌগৎপা কুকি–জোশিংগী লান্দা অসিদা অচৌবা খুদোং থিবা মায়োক্নখিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকাইদা লৈবা কৈথেল ফাওবা চঙশিন্দুনা য়েংনবা হৌখিবা জুন ২৯, নোংমাইজিং নুমিৎতা হোৎনখিবদু অফবা খোঙথাংনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইবগী তৌফম থোকপা মতীক চাবা থৌদাংনি খল্লি। অদুমকপু মমল য়াল্লবা ফৌগাকচাও ইখাইগী খোঙচৎ অদু এম পি বিমোলনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা নত্তবীদা থম্মোয় শেংনা চঙগে খল্লম্লবদি মফমদু চঙলম্বা য়াবনি হায়না খল্লি। মরমদি ষ্টেটসিদা লৈরিবা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) শিং অসিসু ষ্টেট ষ্টেটতা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কারক্লিবা এম এল এশিংগুন্না মশাগী এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা চৎনিংবা মতমদা চৎচবা য়াবগী হক লৈ। শন্না হায়রিবা মেম্বরশিং অসিনা মফম অমদা হেক্তা চৎচবদা অতৈ মতমদা ওইরবসু মহাকপু ঙাক শেন্নবা সেক্যুরিটিসি মখল কয়া থোক্লা পীদুনা ঙাক শেল্লিবনি। অদুবু ঙসিদি ষ্টেটসিদা কাঙলুপ ফুরুপ নাইবা মওংদা ইরাং অমা শাগৎতুনা অচৌবা ৱাথোক ওইদুনা মীওই কয়াদা অকি–অখং ওইনরে। মসিগুম্বা তাঞ্জাসিদদি জুন ২৯ দা এম পি ডা বিমোলনা ইরাংসিনা মরম ওইরগা চঙথোক চঙশিনদা খুদোং চাদবা লৈরিবা ফৌগাকচাও ইখাইগী মফমদু তশেংনা চঙনিংলম্লবদি মথৌ তাবা থবক লৌখৎলগা চঙশিল্লম্বা য়াই। ইন্দিয়াগী এম পি অমনা মহাক্লা চঙনিংবা মফমদুদা চঙনবা হোৎনবদা মফমদুগী পোষ্ট কম্মান্দর অমদগী অয়াবা লৌগদ্রা নৎত্রগা অতৈ মরী লৈনবশিংদগী অয়াবা লৌগদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্কনি।

নাকল অমরোমদা, এম পি ডা বিমোলদি জেদ কেটেগোরি নৎত্রগা ৱাই কেটেগোরি নৎত্রগনা প্লস কেটেগোরিগী সেক্যুরিটি প্রুভকী থাক্তা লৈরম্বা য়াই। অদু ওইবা তারবদি এম পিনা নুমিৎতুদা থম্মোয় শেংনা মফমদু চঙগে খল্লম্লবদি মফমদু চঙলম্বা য়াগনি খল্লি। নুমিৎতুনা হকথেংননা চঙবা ঙমখিদ্রগা ঙরাংতা অমুক হন্না চঙবা ঙমখিদ্রবা ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকাইদু চৎনবা হোৎনগনি হায়রি। মসিনা কমদৌনা চঙশিনগদৌরিবনো। এম পি বিমোলগী থৌওং অসিদি লাক্লিবা জুলাই থাদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পানরিবা পার্লিয়ামেন্টদা লৈঙাকপু চৈ–থাংদুনা ৱাহং কয়া হংবা য়ানবগী তাৎ–পাৎ মাল্লক্কনি। নাকল অমরেমাদনা চহী ২ হেল্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (এম ঐচ এ) গী খূত্থাংদা কুকি অমদি য়েলহৌমী মীতৈ / মৈতৈগী সি এস ওশিংগা তাঙ্কক নাইনা ৱারী শান্নরিবা অসিবু নাথৈননা চৎনবা হোৎনরিব্রা হায়না খন্নিংঙাইসু ওই। মরমদি মতম কুইনা ষ্টেটসিদা ইরাং থোকপা, আই দি পিশিং ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদবা অমদি লৌমীশিং লৌউ–শিংউ তৌবা য়াদবগা পোলিটিক্সকা য়াম্না মরী লৈনৈ। ইরাংসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবমখৈ ওপোজিসন পার্টিগীদি য়াম্না খুদোংচাবা লৌবা য়াই। তঙাইফদ্রবদি মথংগী মীখলদসু ওপোজিসননা চাউনা মায় পাক্লকপা য়ারিবনি। অদুমকপু মীয়ামগী মীৎয়েংদনা লৈঙাক্লা পাঙথোকপা ঙমদবা থবক অমা ওইনা এম পি ডা বিমোলনা থম্মোয় শেংনা নুমিৎতুদা ফৌগাকচাওদা চঙলম্লবদি মীয়াম্না মাবু হেন্না থাগৎনরমগনি। লাইগুন্না খন্নরমগনি। মখা তানা অমুক হন্না চৎনবা হোৎনগদবা অদুদদি শোয়দনা চঙবা য়ানবা মরী লৈনবশিংদগী লৌফম থোকপা অয়াবদুসু লৌথোকপীয়ু।